হেলিকোপ্টর কায়বদা অমা শিরে

ন্যু য়োর্ক, জুন ১০ (এজেন্সি) :
ন্যু য়োর্ক সিটিগী মিদটাউন মেনহাতনদা লৈবা স্কাইস্ক্রেপর অমগী মথক্তা হেলিকোপ্টর অমা শাফু কন্না তাশিনবদা কায়বদগী হেলিকোপ্টর অদুগী পাইলোট ওইরমগনি হায়না থাজনবা মীওই অমা শিরে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্লি।

হেলিকোপ্টর কায়বদুনা মরম ওইদুনা অৱাংবা বিল্ডিং অদুগী মথক্তু মৈ চাকখি অমসুং মদু য়াম্না থুনা কন্ট্রোল তৌখি হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা লোকেল ওথোরিটিশিং পল্লদুনা ফোঙদোক্লি।

বোম পোকখায়বদা তরুক শিরে

কাবুল, জুন ১০ (এজেন্সি) :
লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অফঘানিষ্টানগী কন্দাহার প্রোভিন্সতা লন্বী অমগী নাকলদা প্লান্ট তৌরম্বা বোম অমা পোকখায়বদগী য়ামদ্রবদা ইমুং অমগী মীওই ৬ শিরে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে। ব্লাষ্ট অদুদা ইমুং অমগী নুপী ২, নহা ওইরিবা নুপা ২ অমসুং অঙাং ২ খুদক্তা শিখিবনি।

পাকিস্টানগী এম ক্যু এমগী লুচিংবা অলটাফ হুসাইন লন্দন্দা ফারে, পার্টি অসিগী হেদক্কার্টর্সতা রেইদ চথখ্রে

লন্দন, জুন ১১ (এজেন্সি):
পাকিস্টানগী মুটাহিদা কাউমি মুভমেন্ট (এম ক্যু এম)গী ফাওন্দর অমসুং লুচিংবা অলটাফ হুসাইন লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লন্দন্দা স্কোটলেন্দ য়ার্দকী টিম অমনা ফাখ্রে। চৈরকসিদা করাচিদা লৈবা এম ক্যু এমগী হেদক্কার্টরসতা পাকিস্টানি রেঞ্জরশিংনা হৌখিবা অহিংগী নোংয়াই মতুং অঙনবদা রেইদ চথখিবদা পার্টিগী মীওই অমা শিখ্রে অমসুং পার্টিগী লুচিংবা কয়া ফাগৎখ্রে হায়রি।

মিদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না অলটাফ হুসাইনবু লন্দন্দা স্কোটলেন্দ য়ার্দনা ফারিবদু হৌখিবা কুমজা ২০১৬ দা মহাক্কা পীখিবা হেট স্পীচ অমদা মহাক্কা পার্টিগী মীওইশিংদা লোগী মায়োক্তা ওইরবসু তৌনিংবদা তৌনবা তকশিনখিবগা মরী লৈনৈ হায়রি।

স্কোটলেন্দ য়ার্দনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা লন্দন্দা লৈবা হুসাইনগী ময়ুমদা রেইদ চথখি অমসুং মহাকপু লোকেল পুলিস ষ্টেসন অমদা পুখি। রেইদ অদুদা ওফিসর ১৫ না শরুক য়াখি হায়না সিক্যুরিটি সোর্সশিং পল্লদুনা জিও ন্যুজনা ফোঙদোকখি।

জিও ন্যুজকী রিপোর্টনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, স্কোটলেন্দ য়ার্দগী ফোরেন্সিক য়ুনিট অমনসু হুসাইনগী ময়ুম সর্চ তৌখি। মহাকপু ফাবগী পাউ অসি এম ক্যু এমগী সোর্সশিংনা কনফার্ম তৌখ্রে হায়রি।

রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না হুসাইননা পার্টিগী মীওইশিংদা মীবু নৎত্রগা কাঙলুপ অমবু হঙ্গোই তুক্কচবা পোকহনগদবা মওংদা ৱা ঙাঙখিবগা লোয়ননা মহাক্কা রেঞ্জরগী হান্নগী দিরেক্টর জেনরেল মেজর জেনরেল বিলাল অকবরবু কিহনখি।

এম ক্যু এমগী ফাউন্দর হুসাইন্না কুমজা ২০১৫ গী মার্চ ১১ অমসুং কুমজা ২০১৬ গী ওগষ্ট ২২ দা পীখিবা স্পীচ অনীগা মরী লৈননা হৌখিবা কুমজা ২০১৭ তা স্কোটলেন্দ য়ার্দনা'ম্যুচুএল লিগেল এসিষ্টেন্স' হায়বা হেদিংগী মখাদা পাকিস্টান্দা লেট্টর অমা থাখিবনি হায়রি।

করাচিদা লৈবা এম ক্যু এম হেদক্কার্টরসতা পাকিস্টানি রেঞ্জরশিংনা রেইদ চথখ্রবা মতুংদা পার্টি অসিনা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা রেঞ্জরশিংনা চথখিবা কা হেনবা থৌওংশিংবু কন্দেম তৌখিবগা লোয়ননা রেইদ অদুদা রেঞ্জরশিংনা হাৎখিবা পার্টিকী ৱার্কর অমগী হকচাং লৈরোল চল্লবা মতুংদা পার্টিগী লুচিংবশিংনা মখা তাবা করি করম্বা এক্সন লৌখৎকদগে হায়বগী মতাংদা ৱারেপ লৌরগনি হায়না ফোঙদোকখি।

রসিয়ন জেটশিংনা এয়র ষ্ট্রাইক চথবদা ২৫ শিরে

অম্মান, জুন ১১ (এজেন্সি):
সিরিয়াগী অৱাং-নোংচুপ থংবা লমদমদা রসিয়াগী মতেংগা লোয়ননা সিরিয়ন ফোর্সশিংনা চথরকখিবা ওফেন্সিভ চয়োল ৬ শুরকখিবগা লোয়ননা নিংথৌকাবা নুমিত্তা রসিয়ন জেটশিংনা লমদম অদুদা এরিএল ষ্ট্রাইকশিং চথখিবদা অয়াম্বনা মীচমশিং ওইদুনা য়ামদ্রবদা মীওই ২৫ শিরে হায়না লমদম অদুগী মীওইশিং অমসুং সিভিল রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

মীওইশিং অদুনা ফোঙদোরকখিবদা, মোনিটরশিংনা রসিয়ন সুখোই জেটশিং ওইরম্বা য়াই হায়বা প্লেন কয়ামরুম নোংথক্তা ৱাংনা পাইরক্লগা সাউদর্ন ইদলিব প্রোভিন্সকী জল্লা ভিলেজদা বোম থাদখি। রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা হৌজিক ফাওবদা বোম্না মাঙহন-তাকহনখিবা বিল্ডিং কয়াগী অকায় অতোই মরক্তগী নুপী অমসুং অঙাংশিং য়াওনা অশিবা হকচাং ১৩ লৌথোকখ্রে। লোকেল রেস্ক্যু ৱার্কর অমনা ফোঙদোরকখিবদা, রসিয়ন জেটশিংনা খান সাইখৌন টাউন, কেফার বাতিখ অমসুং অতৈ খুঙ্গং কয়ামরুমদসু রেইদ চথখি। রেইদশিং অদুদা য়ামদ্রবা অতোপ্পা মীচম ১২ শিখ্রে।

রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা হায়রি মদুদি, মোস্কোনা মপুং ফানা শৌগত্তুনা হৌখিবা এপ্রিলগী অরোইবা শরুক্তগী সিরিয়ন ফোর্সশিংনা চথরকখিবা অকনবা মিলিটরি কেম্প্যেনদা হৌজিক ফাওবদা মীওই ১৫০০ হেন্না শিখ্রে। মখোয়গী মনুংদা তঙ্খায় অমা হেন্না মীচম ঙাক্তনি। মফম অদুগী মীওইশিং অমদি লোকেল অমসুং ইন্টরনেসনল এইদ এজেন্সিশিংনা হায়রি মদুদি, রেবেলশিংনা কন্ট্রোল তৌরিবা মফমশিং অদুদা অকনবা কেম্প্যেন লেপ্তুনা চথদুনা স্কুল কয়া অমদি মেদিকেল সেন্টর কয়া বোম থাদদুনা থুগায়বদগী ওপোজিসন এরিয়াশিং অদুদা লৈরিবা মীচমশিংদা অদুক্কী মতিক অৱাবা মায়োক্লহল্লে।

য়ু এন অমসুং এইদ এজেন্সিশিংগী মতুং ইন্না মীওই ৩০০,০০০ হেন্না ফ্রন্টলাইনশিং থাদোক্তুনা খরা শাফগদবা টর্কিগা তাইনবা বোর্দর এরিয়াশিংদা চেনশিন্নখ্রে। অমরোমদা, রসিয়া অমসুং সিরিয়ন আর্মিনদি মীচম তাবা মফমশিংদা নোংথক্তগী বোম থাদৈ নৎত্রগা ওপোজিসন্না পায়শিল্লিবা মফমশিংদা লৈরিবা মীয়ামগী নুংতিগী ওইবা পুন্সি মহিংদা কা হেন্না অকায়বা পীগদবা মওংদা মিলিটরি কেম্প্যেন চথে হায়বা ৱাফমশিং য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখোয়গী কেম্প্যেন অদু অল-কায়দানা ইথিল পীবা ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্টশিংগী মায়োক্তনি হায়খ্রে। রেবেলশিংনা য়ান্নখিবা ট্রুস অমা থুগাই হায়নসু মোস্কোনা মরাল শীখ্রে।

কিম জোং-নাম সী আই এদা অরোন-অথুপকী পাউ পীবা মীশক অমা ওইখি : রিপোর্ট

ন্যু য়োর্ক, জুন ১১ (এজেন্সি): কুমজা ২০১৭ দা মালেসিয়াদা হাৎখিবা নোর্থ কোরিয়ানগী লুচিংবা কিম জোং-উনগী পোকমিন্নদবা ময়াম্বা কিম জোং-নাম অসি সী আই এদা অরোন-অথুপকী পাউ পীবগী থবক তৌবা মীশক অমা ওইরম্মী হায়না রিপোর্ট অমনা ক্লেম তৌখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা নোলেজ লৈবা মশক মমিং ফোঙদোক্তবা সোর্স অমা পল্লদুনা ৱাল ষ্ট্রিট জর্নেলনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা, কিম জোং-নামগা সী আই এগা মরী লৈনখি। তৌইগুম্বসুং, মহাক্কা এজেন্সি অসিগা লৈনরিবা মরীগী অকুপ্পাশিংদি হৌজিকসু শেংনা খঙবা ঙমদ্রি। জর্নেল অসিগী সোর্স অদুগী মতুং ইন্না কিম্না কুমজা ২০১৭ গী ফেব্রুৱারিদা মালেসিয়াদা চত্তুনা মহাক্কী সী আই এ কন্টেক্ট অদুগা উনখি।

মহাক্কী খোঙচৎ অদু অতোপ্পা পান্দম খরা লৈরম্বা য়ারবসু মরু ওইনা মহাক্না সী আই এ কন্টেক্ট অদু উন্নবগীদমক্তা মালেসিয়াদা চৎখিবনি হায়না থাজনৈ। ৱাল ষ্ট্রিট জর্নেলগী রিপোর্ট অদুদা কিম জোং-নাম অসি মতম অমদা মহাক্কী অপোকপা কিম জোং-ইলগী মহুৎ শীন্দুনা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা ওইগদবা মীশক্লি হায়না খন্নখিবা ওইরবসু লৈবাক অসিগী রেজিমগী মনুংগী ওইবা পোলিটিক্সকী মরমদা মহাক্না মুন্না খঙলমদবা য়াই হায়না পনখি। চহী কয়ামুক নোর্থ কোরিয়াগী মপান্দা লৈখিবা কিম জোং-উনগী পোকমিন্নদবা ময়াম্বা অসি প্যোং য়াংদা লৈরিবা পৱার বেজকী মরমদা খঙদবদগী লোন্না থুপ্না থবক তৌগনবা লৈবাক অদুগী মনুংগী ওইবা থবক থৌরমশিংগী অকুপ্পাশিং হায়বা ঙমগদবা মীশক মান্দে হায়না য়ু এসকী হান্নগী ওফিসল কয়ানা ফোঙদোক্লখি হায়নসু রিপোর্ট অদুদা পনখি। ওফিসলশিং অদুনা পাউ চে অসিদা হায়খি মদুদি, কিম জোং-নাম্না চাইনা য়াওনা অতৈ লৈবাক কয়াগী সিক্যুরিটি সর্ভিসশিংগা ঈ-পাউ শোয়দনা ফাঙনরমগনি হায়বগী থাজবা লৈ। হৌখিবা কুমজা ২০১৭ গী ফেব্রুৱারিদা কুলা লম্পুর এয়রপোর্টতা কিম জোং-নামগী মমায়দা অথিংবা থম্বা কেমিকেল খুৎলায় অমা ওইরিবা লিক্বিদ ভি এক্স নানশিন্দুনা মহাকপু পোইজনিং তৌখি হায়না নুপী অনীদা মরাল শীখিবনি।

এক্যুজ নুপী অনীদুগী মনুংদা সিটি আইস্যা কৌবী ইন্দোনেসিয়ন নুপী অমা মালেসিয়ানা হৌখিবা মার্চতা থাদোকখিবনি লোয়ননা অনীশুবা এক্যুজ ওইরিবী দোৱন থি হুওং কৌবী ভেয়েটনামিজ নুপী অমনা হৌখিবা মেদা থাদোকখিবনি।

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/অশোক কুমারবু থাগৎচরি

ঐগী অনাবা LUMBER SPINE (L4/L5/S1) দা শোকপা অসিবু ফহনবীবা অসিগীদমক অশোক কুমারবু থাগৎপা ফোঙদোকচরি। অনাবসিনামরম ওইরগা খোঙ য়েৎ থংবা শীথবা, শাংনা চৎপা ঙমদবা, কুইনা লেপ্পা ঙমদবা অমসুং হকচাংগী নোঙ্খোক-নোনশিন ঙমদবা অসিনচিংবনি। ঐনা Treatment Centre Ashok Kumar Health Care বু পাউচেগী মতেং লৌজরগা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ট্রিটমেন্ট অসি নেচরেল ট্রিটমেন্টনি। অসুক ৱানা খাঙলক্লবা অনাবা অসিবু শুপ্লতগী নুমিৎ তরামঙানিদা ফহনবীরে। মীয়ামগী সেবা কুইনা শাংনা তৌবা ঙম্না ওইবীয়ু।

Treatment Centre
Ashok Kumar Health Care Palace Compound, Near ESU, Imphal East, # 9612988625.

HL-P/4390/12 **Sd/- Kamei Alonna,**Sawombung Khunjao

ꯃꯥꯡ/BANK PASS BOOK LOST

I have lost my Bank Passbook of State Bank of India, Chakpikarong Branch bearing Account No. 35184280453 on the way between my residence to Chakpikarong on 20/5/2019. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Hellhur Touthang**
K Phailen Chakpikarong

HL-B/5469/12

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG

Ref :- Mut. Case No. 306/SDC/M dt. 10/6/2019

Moirangthem Priyobarta Singh S/o Moirangthem Joykumar Singh of Moirang Shribon Leikai.

Vs

Late Moirangthem Mangiton Singh S/o Late M. Tompok Singh of Moirang Shribon Leikai.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Moirang the 10th June, 2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৫২- মোইরাংদা লৈবা পাট্টা নং ২২৬৭ (অনৌবা), সী এস দাগকী নং ২২৬৪/২৩৭৭, এরিয়া ০.০১৫ একর চাউবা ইথোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী ইমুং মনুং মথক্তা পীরিবা দরখাষ্টকারিদা মীং ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা হায়রিবা ইথোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা কোর্ট অসিদা অইবা চেগা কোন্ননা লাক্তুনা আপতি তৌরবা য়াগনি। হায়রিবা নুমিৎশিং অসিদা লাকহৌদ্রবা মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্ট অসিগী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথগনি।

HL-P/4313/12 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector,** Moirang

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG

Ref :- Mut. Case No. 612/SDC/M dt. 10th June, 2019

Kumam Amujao Meetei S/o Late Kumam Khomei Singh of Ngangkha Lawai.

Vs

Late Kumam Khomei Singh S/o Late K. Shyam Singh of Ngangkha Lawai.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Moirang the 10th June, 2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৫১- ঙাঙ্খা লৱাইদা লৈবা পাট্টা নং ১৫ (অনৌবা), সী এস দাগকী নং ১৩০৮, এরিয়া ০.৯৭ একর চাউবা অঙনফৌগী লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী ইমুং মনুং মচাশিংনা মীং ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা কোর্ট অসিদা অইবা চেগা কোন্ননা লাক্তুনা আপতি তৌরবা য়াগনি। হায়রিবা নুমিৎশিং অসিদা লাকহৌদ্রবা মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্ট অসিগী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,** Moirang HL-P/4313/12

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, BISHNUPUR

Ref :- Mut. Case No. 313/SDC/Bishnupur, 2019

1. Akoijam Ibohal Singh S/o (Late) Ak. Heramani Singh of Kwashiphai ...*Petitioners*

-Vs-

Akoijam Heramani Singh S/o Ak. Parijat Singh of Kwashiphai...*O.P.*

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Bishnupur the 10-6-2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Akoijam Heramani Singh S/o Ak. Parijat Singh of Kwashiphai দা লৈবগী মীংদা পানবা পাট্টা নং ..., ৪০/৩১২ (অনৌবা) সী এস দাগ নং ১০১৮গী ০.৩৬ চাউবা ফৌরেল অসি পাট্টাদর মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পিটিস্নরগী/শিংগী মীংদা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা আপতি তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কেস মখা চথগনি।

HL-P/3884/12 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Bishnupur

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, HIYANGTHANG

Ref :- Mut. Case No. 301 of 2019

Shree Lairenjam Inaobi Singh S/o (L) Biren Singh of Lairenjam Mayai Leikai Grand Son of Late Pattadar

Shree Late Lairenjam Angou Singh S/o (L) Kullabidhu Singh of Lairenjam

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Dated/Hiyangthang 11th June, 2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৬-লাইরেঞ্জম পাট্টা নং ... (অরিবা), ২১৪ (অনৌবা) গী হাল দাগ নং ... (অরিবা), ৩৭৭ (অনৌবা) গী এরিয়া ০.৬২ একর চাউবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজারি তৌবিরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনীংবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপতি তৌবা য়াগনি পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না মখা চথরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector, Imphal West,** Hiyangthang

HL-P/3885/12

টালিবান্না মফম অনীদা ফাজিন্দুনা থল্লম্বা মীওই ৫০ হেন্না অফঘান ফোর্সশিংনা থাদোকখ্রে

কাবুল, জুন ১১ (এজেন্সি):
অফঘানিষ্টানগী বাঘলান অমসুং কুন্দুঝ প্রোভিন্সশিংদা লৈবা টালিবানগী দিটেন্সন সেন্টর অনী অফঘান ফোর্সশিংনা পায়শিনবা ঙমখিবগা লোয়ননা দিটেনি ৫০ হেন্না থাদোকখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

মিলিটেন্টশিং লাকশিন্নবা চথরকখিবা খ্বাইদগী নৌবা খোঙথাং অমদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা হৌখিবা নোংয়াই মতুং পুং ২ তাবা মতমদা কুন্দুঝ প্রোভিন্সকী অপটাস দিষ্ট্রিক্তা লৈবা টালিবানগী কেম্প অমদা থোমজিন্দুনা এটেক তৌখি। সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লালহৌবা গ্রুপ অসিদা মীশি মনা কয়া থোকহনখিবতা নত্তনা মফম অদুদা মখোয়না ফাজিন্দুনা থল্লম্বা মীওই ১৩ থাদোকপিখি হায়না প্রোভিন্সিএল পুলিসকী স্পোক্সমেন ইনামুদিন রহমানিগী ৱারোল পল্লদুনা সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি মদুদি, টালিবান্না মফম অদুদা ফাজিন্দুনা থল্লিবা মীওই অয়াম্বা মীচম ঙাক্তনি অমসুং আউটফিট অসিনা কষ্টদিদা লৈরিবা মীওইশিং অসিবু ওৎ-নৈবিখি।

মান্নবা খোঙথাং অমদা অফঘান ফোর্সশিংনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অঙনবা মতমদা বাঘলান প্রোভিন্সকী লর্খাবিয়া এরিয়াদা লৈবা টালিবান বেজ অমদা রেইদ তৌখি অমসুং সিক্যুরিটি পর্সনেল অমদি সিভিলিয়নশিং য়াওনা মফমদুদা ফাজিন্দুনা থল্লম্বা মীওই ৪৪ থাদোকখি হায়না প্রোভিন্সিএল গভর্নর খানঝাদা মঝলোময়ারনা ফোঙদোকখি।

ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন নাসরট রহিমিনা ন্যুজ এজেন্সি অমদা ফোঙদোকখিবদা, বাঘলানদা টালিবান কষ্টদিদগী থাদোকখিবা মীওইশিং অদুগী মনুংদগী ১৭ তি মীচমশিংনি অদুগা অতৈনা আর্মি অমসুং পুলিস য়াওনা সিক্যুরিটি পর্সনেল ঙাক্তনি। অফঘান দিফেন্স মিনিষ্টর অসাদুলাহ খালিদনা মহাক্কী ফোর্সশিংদা অঙম্বা থাক্তা মিলিটেন্টশিংগী লোৎফমশিং থুগায়নবা পাউতাক পীখিবনি হায়রি।

মাইক পোম্পীও ইন্দিয়াদা লাক্লগনি

ন্যু য়োর্ক, জুন ১১ (এজেন্সি):
য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পীওনা য়ু এস অমদি ইন্দিয়াগী মরক্তা শেল-থুমগা মরী লৈনবা য়াম্না মরু ওইবা মরী অমা শাগৎনবগীদমক্তা থা অসিগী অথেংবা শরুক্তা ইন্দিয়াদা চৎলগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

জপানগী ওসাকাদা জুন ২৮ অমসুং ২৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা জি-২০ সম্মিট মনুংদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর মোদি অমসুং য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী মীফম অমা নাকোয়ননা পাঙথোক্লবগীদমক্তা লৈবাক অনীনা শেম শারিঙৈগী চৈরক্তা পোম্পীওনা ইন্দিয়াগী খোঙচৎ অসি পাঙথোক্কদৌরিবনি। খোঙচৎ অদুগী শেম শাবা ওইনা পোম্পীওনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ৱাশিংটন্দা ইন্দিয়ন বিজিনেস লিদরশিংগা উনদুনা ইন্দো-পেসিফিক লমদমদা মহাক্না হৌজিক ফাওবদা তৌরক্লিবা শেল-থুমগী থবকশিংগী মতাংদা খঙহনগনি হায়রি।

সেহবাঝ সারিফকী মচানুপা এন এ বিনা ফারে

লাহোর, জুন ১১ (এজেন্সি): পাকিস্টান মুস্লিম লীগ-নাৱাঝ (পি এম এল-এন)গী প্রসিদেন্ট সেহবাঝ সারিফকী মচানুপা হমঝা সাহবাঝ লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পাকিস্টানগী এন্টি-করপসন ৱাটচদোগ নেসনল একাউন্টেবিলিটি ব্যুরো (এন এ বি)না ফাগৎখ্রে হায়না জিও ন্যুজকী রিপোর্টনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না মনি লোন্দরিং অমসুং ইনকমগী সোর্সশিংগা চান্নদবা লন-থুমশিং পৈশিল্লম্বগা মরী লৈনবা কেস অনীদা সাহবাঝনা ইন্টরিম বেল পীনবা হায়জখিবদা লাহোর হায় কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রবা মতুংদা এন এ বিনা মহাকপু ফাখিবনি। হীয়ারিংদা এন এ বিগী এদিসনল প্রোসিক্যুটর জেনরেল জহানঝেব ভার্ৱানা কোর্ট অদুদা সাহবাজগী এসেটশিং মহাক্কী ইনকমগা চান্নদে অমসুং পী এম এল-এনগী লুচিংবা অসিগা লোয়ননা মহাক্কী ইমুং মনি লোন্দরিংদা চেন্নে হায়খি। অমরোমদা, সাহবাঝনা মহাক লুপা অমত্তগী করপসন্দা চেন্নে হায়বগী প্রুভ তৌবা ঙল্লোই হায়না ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

ꯐꯣꯇꯣꯟ ꯇ꯭ꯌꯨꯇꯣꯔꯤꯑꯦꯂꯁ
PHOTON TUTORIALS
KWAKEITHEL THIYAM LEIKAI, IMPHAL-01
The Unique Coaching Centre in Imphal City

ADMISSION OPENS *for*
Class XI Science FOUNDATION COURSE, 2019

Features:-
1. Subjectwise unit/Sunday Test Series
2. Well prepared printed study materials to be supplied
3. Mock Test Series (Chapterwise)
4. CBSE/COUNCIL Question and Answers analysis
5. Commulative Test Series
6. Special Counselling for weaker students
7. Forthnight Career Counselling based on Test Series
8. Strictly monitoring with CCTV

Class commencing :
The 13th June, 2019
Timing: :
4.30 p.m. to 8.00 p.m.

SUBJECTS AVAILABLE:-
Physics, Chemistry,
Mathematics, Biology,
English & Comp. Science

Sd/-
Coordinator
Photon Tutorials

PLIZ CONTACT : 8837451193/7005303412/7005588538

HL-P/6192/9,12,15,18-30

ꯑꯣꯏꯂꯁ ꯀꯣꯆꯤꯡ ꯁꯦꯟꯇꯔ
OILS COACHING CENTRE
SANGAIPROU MAMANG LEIKAI, IMPHAL
Knowledge conquers all
Temporary office: Khuyathong SB building, near LIC office

Admission open
(5 Months Foundation Course 2019)

Facilities Provided:-
1. Smart Class.
2. Unique Teaching Pedagogy.
3. Study Materials.
4. Regular Doubt Clearing Sessions.
5. Weekly & Monthly Test Series.
6. Guest Faculties from Reputed Institute /University.
7. Biometric Attendance.
8. Classes Under CCTV Surveillance.
9. 5% discount for textbook

Class XI & XII Science
40 Seats only

Scholarship Entrance test:
> First 3 toppers :100% (Fee Waiver)
> Top 4th – 10th : 75% (Fee Waiver)
> Top 11th – 20th : 50% (Fee Waiver)
Last date of regd. : 20th June, 2019.
Date of Exam. : 23rd June, 2019.

Last date of Admission : 2nd July, 2019
Class starting : 4th July, 2019

Subjects offered:-
Phys, Chem, Bio & Maths

Special Offer:
i. 15% off for BPL/AAY card holders.
ii. Rs 2000/- off for Govt. School's Students.
iii. 100% fee concession on 80% and above in class X Board Exam.
iv. Free Revision Course (2 months).

For further details please contact: 7005187403 8414874458, 9774114538
OILS Coaching Centre oilscc2019@gmail.com

HL-P/4274/7/30june/1-7july

APOLLO ꯑꯦꯄꯣꯂꯣ ꯇ꯭ꯌꯨꯇꯣꯔꯤꯑꯦꯜ ꯁꯦꯟꯇꯔ
TUTORIAL CENTRE
Moulding Medical and Engineering Career
Admission Open For

Foundation Course
XI Sc. & XII Sc. (CBSE & COHSEM)
English Tution- Sunday & Holiday (Morning)
Facilities : Free Text Book Sets
Special Concession:
Meritorious / ST/ SC / Govt. School / Hosteller/ MOBC -Students

Apollo - NEET (UG)
Regular Medical Entrance Course 2019-20
Intake capacity : Only 25 students per class
Special feature :
Extensive and intensive teaching - learning system

Hostel Fee- Rs 4000/- only (Boys & Girls)
Office Timing: 7:00 am - 7:00 pm

Van Service available

Class commence : 13th June, 2019
Class commence : 1st week of July, 2019

Pliz contact : Apollo Office, Kwakeithel Bazar Near AMUCO Office, Imphal-795001

HL-B/5460/11-30june/1-10july